"তাইবঙপান অসিদা ঐখোয় কনাসু ফিজেৎ অমা পুদুনা লাকপা নত্তে,
পাই অমা য়াদ উমদুনা খোঙদারক্তে।"
- হিজম গুণ (ঐখোয়' তাদ)

# শৈরেং

## মীওৎপী নোংলৈ

—**রোমি তখেল্লম্বম**

হায়ফেৎ নাশোন পীক্লা তাখিবনি
পংকুই কুইদনা নোংলৈ অমা য়ৌরক্লনি হায়নবা
চিংশিল্লুদে ৱাখলনা; খোয়জংনসু তাশিল্লুদে
হৌখিবসু খঙহৌদে লেপ্তুবা মতমগী খোঙচৎসু
লাপ্তুক শাহুম ফংখি; কিবসু ফাওদ্রিদা ইনিলদুদা
করিবু তৌদোইনো; হুমদোকচখিনি মায়কৈ ফাংনা।
তপ্লি তপ্লি হুমজিল্লক্লে মায়কৈ সলাই খঙদনা
অসুক তপ্না কনবা নোংলৈদি পোকপদগী থেংনদ্রি
অসুম নকশিল্লক-অসুম নকশিল্লক নৈশিল্লক্লে
অতম্লনা করি মতৌনো ঐগী ইঙ্খোল চাইগোলনুং
উ-ৱা মরূ ফুক্তৎলক; শূম্মাং থেল্লোং পুমচাই চাই
অতৎ অখম লৈত্রবা; শাফু কল্লবা হে নোংলৈ!
ও! য়ূমশারোল শোয়খ্রজাৎলা অহোয়নরিবা
কয়ামুক শোন্না হিংলুরিবা থৱায় মিরেলশিং
খাঙবগী থৌনা মাঙখ্রে; থৱায় ঐ ঐতগী কন্নবা
হুমদোকখ্রে পূন্নমক অমত্তা খাক্তব'খৈ নোংলৈসিনা
মসা পালহৌদ্রবা থৱায় চেক্লাশিং য়োৎশিনখ্রে
মিনুংশি খঙদ্রবা শাফূ কল্লা নোংলৈনা।
মরুপ শঙ্গ ঙাইহাক পুল্লবা; মসা পানবা মহাক্তি
লমহেন তুহেল মনুং চনবদো পাইথোকখ্রে
থৱায় ঐতবু হিংলবা; অমুক হন্না শন্দোরক্লে
কাংখুল মূৎখিদৌরবা য়ূমফমসে কল্লগে শরী-শোন
তেমশিংনখি পিবুক্লুং, মতম চাদ হুমজিল্লক্লিবা
তমথীরবা মীওৎপী হে মিনুংশি খঙদ্রবী নোংলৈ।

## ফাওরেনে নঙদি

—**মোইরাংথেম ইনাও**

ইরুজ সাপোন হাপ্লবা
মীয়াম্না কৌনবা 'সাপোন কেপ'
নঙগী পুন্সিদি ইরুফম কা মচা,
করিগুম্বদা,
খুঙ্গংগী অচৌবা পুখ্রি মপান্দনি।
নঙগী তৌফম থোকপা নথৌ তৌরিঙৈ
লৈবাক্কী ঈ-পাউদা য়াওরমদে।
চহী খরসিদা
খরা অমা নথৌদগী নাথৈরকপা
ঙসিদি - ফাওরেনে নঙদি।
অঙম্ববু ঙম্বা অঙম্বনা নতুংদা লেপ
শেলদা কা হেন্না ঙাওরবা
নাব, পুলিস খরফাও নঙোন্দা চঙজরে।
হেরোইন, ব্রাউন সুগরবু হায়রো
নঙগী পিবুক্লুংদা লোৎতুনা পু
তরানা নাম্থোকখি অমনা ফাহৌ
মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর অদুক ওইগদবা
সাপোন কেপ মনুংদা লোৎতুনা পুরম্বা...
রেদিও, টি ভি, পাউচেদা পুমচাই
ফাওরেনে নঙদি।
অদুবু নঙ খঙজবরা?
নঙবু পুরিবা অচৌবা অতাঙবা কার
অদুগী মপু কনানো,
অঙম্ববু ঙম্বা কনানো।
খঙঙিরোইনে হা! অদুনি হায়বা!
পুন্সি কয়া পিখম্লহনখ্রবা শাজাও,
ঙসিসু নহা কয়াগী ঈ চূপ্লিবা শাজাও
মীয়াম্না মমৈদি উরে,
মশা, মকোক্তি উবা ফংদ্রি।

## 'লৈইসিগী ৱাংমদা'

—**আর এ মায়নাম**

ঙসিগী অহিং,
নোংঙাল্লু য়াদ্রবা অহিংসিদা
থোক্লিবা নিংথিজরবী থাজসিনা
ঐবু অমুক্কা হেন্না কপহল্লে,
উরু খুদিং ঐবু খোইরাংহল্লে,
উইশিল্লু য়াদ্রবা হে মিৎ,
কৈদৌগে অমুক্তদি উইশিল্লোগবা।
তূল্লবসু উদুনতা লৈরে ইমিৎসিদা
মপোকসিদা ঐগী ওইয়ু তল্লমদ্রবী নঙবু,
ঙাইরমগে মথং মপোক অমদা,
চৎখ্রবসু নঙনা নিংঙাইদনা।
অরোইবা য়াহিপ তানখ্রবী
কাউবা ঙমদা লেপহৌরে
ঐদি লৈইসিগী ৱাংমদা,
নিংঙাইতনা তাম্না চৎখ্রবী
হিংহৌরে ঐদি ইদোম তরক
নুংশি নঙগী মৈচাকসে
খাঙদুনা।

## নুংথিলগী মঙ

—**তাভালা নিংথৌজা**

স্বর্গদসু ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম শেংহৌদ্রে!
চাওবগী নুপীগা ইবোহলগা
ৱারী চিকথনহৌই!
অপসরা হায়বীদো হৌজিক্কান্নবু হেন্না ফজহৌরে!
বিস্বমিত্রবু লাইনীং কায়হনখিবীদো!
মাসু অদুমঙাই হৌজিকসু নুপা উবা য়াহৌদ্রি;
ঐ তূমিন্না চেল্লকইনি অদুগী।

## লম্বী

—**রেবিকা ওক্রম**

চৎলিবা লম্বীদো
নখূৎতা পায়রিবা
খূৎলায়দুনা হনগাই হনগাইরগা
চৎকনু হায়জবনি ঐদি,
চুম্না চৎলু চুম্না চৎলু...
নখূৎ য়াম লেঙগনু,
পুন্সি লম্বীগী নাক য়েৎতা হৌরিবা
উপাল ৱাপাল য়াম্থুৎকনু...
পোত্থাফম ওইহল্লু
চোকথরবা হকচাং কয়াগী,
পন্থুংফমদি মান্নদে
মীপূম খুদিংমক,

লাপ্না, নক্না লাকমিন্নরম্বা কয়া
মাগী মাগী পন্থুং য়ৌদুনা লৈহৌরে,
ঐদি চৎলি পন্থুং য়ৌদ্রি
ঙসিদি য়ৌরনি, উরনি
ঐগী লমথুংফম খাংপোক্তো...
মপু মানা পীবিবা ঐগী
লোইবা খম্বা নাইদ্রবা
ঈংলবা লাইজ ঈশিংগী পুন কয়া
ঐগী খাংপোকনুংদা লৈরিয়ে,
পুন অমতং লৌথোক্তুনা
লম্বীগী মতাইদা থল্লুগে,
খৌগংলবা কনা
খুজোক অমত্তা ওইরসু থকচখিনবা,
ঐঙোন্দগী হেন্না লাপ্পা
পুন্সি লম্বী চৎখিগদবা কয়াগী...

## কাউথোকপা তম্লগে

—**ডা. অকোইজম ইবোহল**

ঐগী থম্মোয় লাইয়ুমদা
লাৎচরম্বা নহাক্না চৎখ্রবদা
শিন্থরকখিবনি পিরাং লেপ্তুনা
মিৎলু নাপোম অনীসিদগী
অতৎ অখম লৈতবমখৈ;
খোঙথাং খুদিং খোঙকাপ খুদিং
কাউঙমদ্রে নহাক্কী শক্তমদো,
করিগীদি লৈরল্লি নীংশিংবা
কয়াদা ৱাহল্লিবা নীংশিংবনা,
হে অকাউবা লাক্লো ইনাক্তা
ঐগা ইতাউ শান্নরসি
কাউথোকপা তম্বীরো ঐহাকপু;
ঐগী মিৎকী পিসে উরগা
ওইরবদি নহাক্কী থৱায়না ৱাগদবা
কপ্লরোই পিরাংসে তৈথোকখ্রগে
মোমোন মোমোন নোক্লগে
মাংলমচৎকী নুংঙাইবা মতমদো
হঙ্গৎনা য়েংলুরগা ঙসিদি
থম্মোয় পেন্না নোক্লগে
কয়াদা মহয় য়ানখ্র পুন্সিনো
নহাক্না লেনমিন্নখিবা তাঙ্ককশিংদো।

## অহাঙবা লিক্লি

—**শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লৈমায় অদুদা
থরো থরো ওল্লি ঐসে
মমল অমত্তা লৈতনা,
মবুক চোন্না য়াওরিঙৈ ঐবু
মখোয় খুদিংমক্লা শেন্নজৈ
তুখিগনি তাখিগনি হায়না।
ঐনা ঙকশম য়ৌনা
য়াওরিঙৈ, মমল নাইদে
মখোয় মশেল ৱারীনৈ
হৌখ্রবা, লাক্কদবা কয়াবু
নৈনৈ, নোক্ল-নোক্লা
মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা।
লুপা লিশীং লিশীংনা
মমল নাইদ্রবা ঐবু,
হৌজিক্তি টেবল মখা অসিদা
থরো থরো ওন্দুনা
লৈরে মমল য়াওদনা।
নুংশিজখ্রবা পামজখ্রবা
ঈখৌ লাংজবা মহাক্তো
থৱায় য়াওদ্রবা
হকচাংগা পাঙ্খক ওইরদুনা
লৈমায় থক্তা লোংনা
তারদুনা লৈরে।

## পিরাংগী মরুমদা...

—**দদা ব্রোজরাজ হুইদ্রোম**

নোংদোলথক্তা থোক্লিবা, ঈংলবা থাজগী মঙালসে
ঙল্লোই তাইবঙ কনানসু কোকহনবা/
ঙাইখিনি ঙসিসু কুমজা কয়া
হৌখ্রবা ৱারীবু নীংশিংদুনা!
শরি পন্দোম লোমখিবা
কাউরব্রা অদুঙৈ নীংশিংলিব্রা মতমদো?
ৱাশক চেৎপী ওইরুবনা
নীংশিংলি লেপ্পা লৈতনা
মাইনু পেমচা অনীনা, শরি ৱাশক ঙাক্তুনা থাখিবা
লৈরাংদো তখেল্লে নত্তে
শমব্রৈ মপাল নত্তে
থম্মোয়গী শেংলবা খুদমনি
য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ/
খাঙমদ্রবা নঙগী নুংশি মৈচাক্তা
কৎথোকখিবনি অরৈবা থৌনা উৎতুনা!
হে লোম্থোক্ত্রবী থাজ নঙনা
চেনবীরম্মু ইপাউসিমতং
চীংদা শাৎপী ইঙেল্লেনা
চিন্নদনা কেনখিবগুম
কেন্দুনা মাঙখ্রগনি/
ঙাইরিয়ে ঙসিসু মীৎলু পিরাং কংদনা!
অমুক্তদি হল্লকখো
থৱায়গী থৱায় ওইরিবা
তৈথোকপীরো পিরাংসে
নঙগী নুংশি ৱাহৈনা/

## প্রমোসন

—**ইরোম মোবি**

সোসল ৱার্করগী প্রমোসন
ভোট লেপ্পনি
ভোট লেপ্পগী প্রমোসন
এম এল এ ওইবনি
এম এল এগী প্রমোসন
মন্ত্রি ওইবনি
মন্ত্রি ওইরদি
আপীল তৌরনি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# খুৎলাই অমা ওইনা লীরুং তেন

মণিপুরী কাঙলুপ অসিনা শীজিন্নরিবা 'লীরুং' হায়বসি ৱা মপুমদগী ৱাচেৎ খায়দুনা নীংথিনা ঈৎলগা, পোংগন লী,উরি,লংনা নৎত্রগা ৱাগী কনমনা মরি তাদুনা তিংলগা ৱাচেৎ অদু তঙ্খায় য়ৌনা কোলহন্দুনা শেম্বনি। মরি অদুনা ৱাচেৎকী মতোন্দা কিরগা কন্না তিংদুনা ৱাচেৎ অদু পীশুমগী মওং মান্না কোলহনগনি। পীশুম মওং মান্দ্রবদি লীরুং ওইদে। অহল-লমনশিংনা, শৈথাবদা 'পীশুম্না লীরুংগী মওংনি' হায়নরিবসি মরমসি লৈবনা ওইরম্বসু য়াই। শেম্বা লোইরবা লীরুংদা তেঙঁে হাপ্লগা কাপ্লে। অসুম্না তেন অসি শেম্নে। ৱাবু তঙ্খায় খায়রগা লীরুং তেন শাখিবগী মতাংদা অরীবা লাইরিক্তা মখাগী অসুম্না ইরম্মী - কোংয়াং তংখায় লৌ ।। লাংলেন মচেৎ খায়খিএ ।।০।। লিসা তেনসাখিএ।। লাংলেন অরূপ পানা লীকা ৱোই।। কোঙয়াং অরোংপাতি ।।তেনকা ৱোইনা লীসা তেনসাখিএ।।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা তেন শেম্বগী মওং অসি, মীওইবা খুন্নাইগী লৈরুবা মফমগী অফংবা পোৎলমগী মতুংইন্না মচাক খেন্নে। ৱানা তেন শাবা অসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা শানৈ অদুবু ৱা হৌদবা, ৱা ফংদবা মফম খরদদি উ মখল অমনা তঙ্খায় খায়রগা ইৎলগা শাবা, মফম খরদনা উশা নৎত্রগা ৱাশা অকোনবদা মরি হেক্ত পানশিল্লগা শেম্বা মওংসু লৈরি। তেনগী মচিনসু অমগা অমগা মান্নদে। মফমসিদা নৈনজরিবা অসিদি লমদমসিগী মতৈ খুন্নাইগী তেনগী ৱারোলনি। তেনবু অরীবা লোলদা 'ৱাইরা' হায়নরম্মী । পোইরৈতোন্না খুন্থোকলকপদা,হিংবদা চঙগদবা পোৎলমশিং লোইনমক শুনবা পুখিসি হায়না লৈমা লাইনাউতবীনা পোইরৈতোন য়েংলগা হায়খিবগী মতাংদা লীরুং তেনগী ৱাফম পল্লম্বসু থেংনৈ ।

পোইরৈতোন্না খুন্থোকলকপা মতমদা তেনবু 'কাতেল' অদুগা লীরীবু 'কারী' কৌই। তেন্দোংয়ান হায়রিবা অৱাং মাইকৈরোমদা লৈরিবা লম অসিবু 'কারী তেনতোংয়াংল' কৌই। তেন্দোংয়ানগী মতাংদা লম্মীৎলোন লাইরিক্তা অসুম্না পল্লি-শেল্লোয় নাকপকমা লংমাই চীংশামদি। লংমাই কোকপা তেন্দোং য়ান্না য়াওরৌ শাদানবদা লীরী লেন্দোং মখুৎশুবু পামেন উতোনথক্তা য়াল্লমএ। অদুনোংগীবু লংমাই কোকপা তেন্দোংয়ানও থোন্নৈএ। লীরুং তেন করম্না শাই,করম্বা থৌরাং চংঙি হায়বগী মতাংদা কূপ্না তাকপা লাইরিক্তি নুমিৎ কাপ্পা অসিনি। নুমিৎ কাপ্পা লাইরিক অসি তেনগী মতাংদা য়াম্না মরুওইবা লাইরিক্লি। তেনগী ৱারম খঙবদা নত্তনা মতম অমগী লৈঙাকলোন্দা অচৌ-মচা খায়বা, মীচমগা অঙম অথৌগা লৈনবা মরি, মীচমগী পূন্সিদা পীরকপা চৈথেং কয়াবু ৱাশক অমগা লোয়ননা শীংনবা, থৌনা কয়া তাক্লিবা পাউতাকসু য়াওরবা ৱারীনি। তেন অমা শাবা মতমদা ৱা মপূমদগী খায়দোক্লগা ৱাচেৎতগী তেন শেমলকপগী মতাং অসি ঐখোয়গী ওইনদি নুমিৎ কাপ্পা লাইরিক্তগী য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

নুমিৎ কাপ্পা হায়বসিদা পল্লিবা 'নুমিৎ' অসি থক্তা থোক্লিবা কৌরৌ নুমিৎ অসিবু নত্তে। নুমিৎকুম মঙাল নাইবা, মতীক ময়াই লৈবা কনাগুম্বা অমবু শৈথারগা হায়বনি। চীনবুং ৱারীসু নত্তে অরীবা লাইরিক ওইনা লৈরবা খোরিরোলগী মনুং চল্লবা অমসু ওইরি। নুমিৎ কাপ্পা অসি থৌদোক অমগী ৱারীনি । চাউরাক্লা খৃষ্টগী কুমশীং অহুমশুবদা থোকখিবনি হায়না নৈনৈ। তাউহুইরেং অহনবা অমদি য়োইময়াই সনা খোমদোন অনীসি মচিন মনাউনি. মখোয় মচিন মনাউ মঙা পোকই । মখোয় অনীনা নিংথৌ ওইদুনা কংলাদা পানখি। মখোয় অনীনা নিংথৌ ওইনা লৈঙাকপগী মওং অসি মমাংথক্তা নিংথৌ অমত্তনা পানখিদবা মওংনি। নিংথৌ ওইবা হায়বসি মতীক মঙাল লৈবা মীশক অমখক্তনা ওইগদবনি। মচিন মনাও পোকমিন্নবা লৈরগদি ময়াম্বা অহলনা নিংথৌ ওইবা চৎনরকই। ময়াম্বা অহল লৈনা লৈনা মনাওনা নিংথৌ ওইনরক্তে। নিংথৌ ওইবা তারবদি শোইনাইবা য়াদে। ময়াম্বা অহলনা শোইনাইরগদি নিংথৌ ওইবা য়াদবনিনা মনাওনা ওইবসু চৎনৈ। অসিগুম্বা চৎনবী অসি মমাংঙৈদগী লৈরকই। পোকমিন্নদবা মচিন মনাওগী মরক্তা নুংশিনদবা লৈনরকখিবদগী ময়াম্বগী মথক্তা নিংথৌ খুভম মুন্নবগীদমক লানহৌখিবা থৌদোক কয়া নিংথৌরোলশিংগী মরক্তসু লৈখি ।

তাউহুইরেং অমদি য়োইময়াই অনীনা তৌরিবা মওং অসিদি মখোয় অনীমক অমুক্তদা পূন্না নিংথৌ ওইবনি। নিংথৌ অনীনা অমুক্তদা লৈঙাকপগী থৌ পুবনি। মখোয় অনীনা নিংথৌ ওইদুনা লৈঙাকপগী থৌ পুবগী মওংসি অয়ুক্কী মতম হায়বদি নুমিৎ থোকলকপদগী নুমিৎ তাবগী মতম, নুমিৎনা লৈরিঙৈ মতম, নোংমগী তঙ্খায় অমনা ময়াম্বা তাউহুইরেংনা নিংথৌ ওইনা পানবা অদুগা মনাও য়োইময়াইনা পানগদৌরিবসিনা মমথরকপা মতমদগী নোংঙানবা মতম ফাওবসিনি। নিংথৌ খুভম শিন্ন শিন্নরগা মতম খায়দোক্লরগা পানবনি । অসিগুম্বা মওং অসিবু নুমিৎ কাপ্পা লাইরিক্তা - " থপী নুমিৎ অঙালপা অনী লেংশিননা নুমিৎ অনী চৈওননা পালমিন্নরময়ে' হায়না শীজিন্নরি। মখোয় অনীগী মনাই ওইনা খ্বাই নোংচেনবম নাইচা য়েকমা হাওতংলানা থৌগল তৌই। নিংথৌ অনীমক্কী অয়ুক নুংথিল অনী পাদুনা থৌগল তৌবদা খ্বাই নোংচেনবম পীবা পোত্থাবা শঙখিদে। চুম্নগী শঙদবা নত্তে। ময়ুমদা কূল্লগা মচা নিপা হাওদংখু, মচানুপী হাওদংহন অমদি মাগী তালোয় হাওনু চাখানু ফাওবা উন্নদুনা য়ূমপানবগী নুংঙাইবা হায়বদু মতম শাংনা ফংখিদে।

মীগী মনাই ওইবদা হেনমনখিবা য়ূমফাওবা হনবা ফংলকতবদগী নোংচেন পীবানা নুমিৎকুম মতীক মঙাল চাউনা নিংথৌ ওইনা পাল্লিবা মচিন মনাউ অনীগী মনুংদা অমা লৈহল্লরোইগে হায়না খনখি। থিন্থদনা মচিন মনাউ অনীগী মরক্তা তাউহুইরেং অহনবু তেন শারগা কাপ্লবা থৌরাং হৌখি । তাউহুইরেং অমদি য়োইময়াই মচিন মনাও অসি ইচম চম্বা নিংথৌ নত্তে । মখোয়গী মথক্তা লানহৌবা হায়বসি অরায়বা অমসু নত্তে। শোয়ফদ্রবা খুৎথা অমুক্তা লোইশিনহৌদ্রগদি হেন্না খুদোং থিরক্কদবা ওই হায়বসি নোংচেং পীবানা খঙখি। খ্বাই নোংচেং পীবাসু অচম্বা নিপা নত্তে খাবা অমদি লুৱাং শাগৈগী পীবানি। তাউহুইরেং অমদি য়োইময়াই মচিন মনাও অনীগী মনাই ওইরিবা অসি মচিন মনাও অনীনা অখন্নবা ওইহনখিবনি। মীচম অমনা মচিন মনাও অনীগী মনাই ওইনা থৌ পুবা ঙমলোই হায়বসি মচিন মনাওসু খঙলিবনি। মপু মনাই অনীমক মতীক ময়াই অমনা অমগী খঙনৈ।

নোংচেন পীবানা খুৎলাই অতৈনা নিংথৌগী মনাক চঙশিন্দুনা লানহৌবা ঙল্লোই। নিংথৌনা কোনুং তম্না খোংলেঙলকপদা লম্বীদা লুম্লগা তেন্না কাপথুরগদি মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়না নীংখি। অনীংবা অসিনা মরম ওইরগা থীন্দনা মাগী নুপী হাওনুগা অরোনবা ৱা তান্নখি। তেন শানবগীদমক হাওনুগী মপামদা চৎলগা ৱা লৌরুনবা থৌদাখি। খ্বাই নোংচেন পীবানা তেন শানবা ৱা হাওনুদা মপাম লমদমদগী ৱা লৌরুনবা হায়রিবা লৌরুগদৌরিবা ৱা অসি চুম্নগী অচম্বা ৱা অমা নত্তে। ৱা অসিসু মতীক ময়াই লৈবা ৱা অমনি । ৱা অসি সেলোই লংমাই চীংদা হৌবনি। কূংনা হৌই। হাউকোং নুংথিল ৱা কৌই। নুংথিলগী মতমদা য়ানবা য়াদবনি হায়নৈ। লংমাই নিংথৌ কাথাংপা মশামক্কী খুৎনা থাদুনা হৌখিবা মতীক ময়াই লৈবা ৱানি হায়না ৱাগী মশক হাউন্দুদা তাকখি। নোংচেন পিবাগী থৌদা তুংইন্না হাওনুনা মপাম চৎলগা ৱা নিরুবদা মপা ইবুংঙোনা পীরকখিদে। নিংঙোলনা মপামদা চৎলগা মপুরোইবগী শীজিন্ননবা ৱা পীরক্তবসি ৱাসিগী মরমদা ৱারী লৈরি। ৱা অসি অচম্বা নত্তে হায়বদু অমুক্কসু মফম অসিদা উৎলি। নিংঙোলনা মপামদা ৱানিরুবদা পীরক্তবসি মপুরোইবগী মমাংদা হাওনুদি ইকায় নুংশি য়ন্নখি । হাওনুদা ৱা পীরক্তবসি মচা নিংঙোলবু নুংশিদবগী নত্তে। মচা নিংঙোলদা ৱা অসি পীখিবা মতমদা মপাম লমদমদা হৌরিবা ৱানা তাকখিগদবা,মুৎখিগদবা অমদি মপাম লমদমগী খুলনা ৱাহৌগদবা ৱায়েন লৈরি। মসিগীদমক মচা নুপীনা ৱা নিবদা সেলোই লংমাই নিংথৌনা ৱা পীরকখিদবনি। ৱাগী মরুওইবা থাদোক্লবা য়াদবা অদু হাওনুনা খঙখিদবনি। খ্বাই নোংচেং পিবাসু হনবা লৈতে। অনীশুবা ওইনা ৱাফম অমা অমুক তাক্তুনা ৱা নিরুনবা হাওনুদা শিন্নরকখি। হন্দক ৱানিরুগদবা মফম অসিসু মপাম সেলোই লংমাইগী লমদনি।

ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈঙাকলোন্দা অকন-অথৌ, শা-লানগী ৱারীনা পীক থল্লি। চুম্মী, হৌখিবা মতমগী পুৱারীশিংগী ৱারীদা য়েংলগদি শা-লান ঙাক্তনি। শা-লানগী ৱারীদি মালেমগী ওইনসুনি। লাই হাকতক্তগী লৈরক্লে। মালেমগী লৈঙাকলোন্দা লান শোক্লদনা লৈঙাকখিবা, পাল্লকখিবা লৈপাক লৈখিদে। লান শোক্লবা হায়বসি হাৎতোক্লবনি। হাৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী লোন্দদি চায়নবনি। চায়নবা হায়বসি করিনো? চায়নবদা করি চংঙি। কদায়দা চায়নগদবনো ? করিগী অমদি কনাগা চায়নগদবনো হায়বা ৱারী ৱাখোং তাকপা 'চায়নরোল' কৌবা লাইরিকসু লৈরি। শা-লান্দা হৈ-শিংবা, কন-থৌখিবা নিংথৌরেলগী মমিং ঙসি ফাওবা পুৱারীদা শক-শোন্নরি। শা-লান্দা হৈ-শিংবা, কন-থৌখিবা হায়বসিদা য়াওরিবসি খুৎশু খুৎলাই শীজিন্নবা হৈবগী কাংলোন য়াওরি। মণিপুরী কাঙলুপ অসিনা শীজিন্নরকপা খুৎলাইসি মখল মখা কয়ানি। খুৎশু খুৎলাইশিং মখল মখুলশিং অসি শীজিন্নরকপগী তাঙ্ককশিং লৈ। খুন্থোকলকপা অমদি অঙনবা মতমগী পূন্সি মহীংগী মতুংইন্না মীওইবনা খুৎশু খুৎলাই শীজিন্নরকই। তেনবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নবদা,তেনকাপ হৈবদা, খূৎ চুম্বদা মমিং লৈখিবা থক্কী লাইওই মীওই কয়া লৈখ্রি। মমিং লৈখিবা নিংথৌরোল কয়াসু লৈখ্রি। মাগী মাগী ফুরুপ, য়েক্কী মনুংদসু অদুমক লৈনরকখিবা ঙাক্তনি। চৎনবী অমা ওইনা মীগী মমিং থোনবদসু মানা হৈনখিবা লমচৎ-শাজৎ য়েংলগা মমিং থোনবা, শাওং-শাবান য়েংলগা থোনবা, মানা পাংথোকলুবা মায় পাকপগী, লানঙম মওং য়েংলগা মিং থোনবা অসুম্না মখল মওং কয়াদা মীং থোনবা চৎনরকই। তেন কাপ্পা হৈবদা মমিং লৈখিবা মী ওইরবদি মিংগী অরোয়বদা ফমথোন ওইনা তেলহৈবা হায়বা অসি য়াম্না কৌগল্লি। খুদম ওইনাঃ-ইৱাং পুরিক্লাই তেলহৈপা,মোইরাং লাইচিংখু তেলহৈবা, থাঙশুহনবা তেলহৈবা, মৈডিংঙু তেলহৈপা খোংলুপা, চীংখু তেলহৈপা, মোইরাংগী খেলহৈ নুংনাং তেলহৈপা, পুনাল নিংথৌ তেলহৈপা অসিনচিংবসি পনবা য়াই। তেলহৈবশিং অসিগী মীংথোন অমদি মখোয়না পাঙথোকখিবা থৌদাংশিং, ৱারী-ৱারম কয়াগা লোয়ননা লৈজরি। অসিগুম্বা অকন অথৌগী ৱারীসি ঙসিগী নহারোলশিংনা খঙনবা ৱাৎলি । ঐখোয়গী ঙল্লিঙৈগী অকন অথৌগী ৱারীশিং অসি অনৌবা ইদুকেসনগী সিলেবসতা হাপ্তুনা ঐখোয়গী পুৱারীগী ৱারী খঙহনবা, তমহনবা হৌজিক্কী অনৌবা পোলিসি অসিদা মরী লৈনবশিংনা য়াওহন্নবা পূক্লিং চিংশিলহন্নিংলি । ●

—**মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# য়াম্না ঙাওরেদা

নুমিৎ হুমনি মরিনি শুরে দুর্গা দেবীনা পংতূমদা তূমলক্লিবসি। ঙাওশিন্নবা নহাশিংনা গুলি তপ তাখৈ চাশিল্লগা মংদুনা তূম্বদু ঙাই। মীকপ থোক্ল তূমশিল্লা, মীকপ থোক্ল তূমশিল্লা চানি থকনিগা খঙদে। মীকপ হেক থোকপগা মশাদু থুক-থুক লাওনা ওগে ওগে তৌই। অদুনা তূমশিনবনি। তূমশিল্লদি ওনীংবদু ফাওদ্রে। মাই মতৌদুদা কনামত্তনা করিসু হায়বা ঙম্লদে, মচিং মশোন নাইবনিনা হৌদোক্লুদৌসু, ৱা হায়রুদৌসু হায়বা ঙমদে। লম লাপ্না চৎলুবনিনা মহেশ্বরনসু পোত্থাজসনু হায়না কৈসু হায়দবনি। মহেশ্বরসু অদু মঙাই, মাগী মথৌ য়াম্না চিনজৈ। মালেমসিগী নহারোল অয়াম্বা মাগী মতৌ তমদুনা ইঙাও ঙাওদুনা লৈনরিবা ময়াম অদু য়েংলগা মাসু নুংঙাইবা নত্তে। অদুনা কায়লাশ তান্না চৎলগা যোগ ঙাইহাক ঙাইহাক তৌরগা, নাপ-নাপ লাওবা পোৎ অফবা উখ্রুলোমগী অঙ্গৎবা মফমদা শাৎপা লৈরাং গঞ্জাদু কক কক্তুনা ঙান্থক অহুম মরী-মরী শেৎচিল্লগা নোংদোল অতিয়াদা মমাই থাঙ্গৎলগা মৈখুদু খাই খাইদুনা কামখৎলি। অতিয়া কাখৎখ্রিবা মৈখুদুনা পুংমম মমই। নুংশাগা লোইনা খনজিন্দুনা নোংমতা মপূং ফানা নুংশা থোক্তে, অদুনা অয়াম্বা মতমদা উন তাদুনতা লৈরিবা মফমদুগী উখোং ৱাখোঙদা পোত্থাদুনা ৱাখল থাদদুনা মঙলান মংদুনা লৈ। মশাদা লোয়নরিবা খারৌ মচাদুনা মাগী অকোয়বদা ফি ফি কামদুনা কোয়চৎ চৎতুনা মবুংঙোবু শঙদুনা লৈরি। অয়ূক যোগ তৌরুবদগী পোৎ পোৎ খপচিল্লগা মৈখুনা পুংমম মমহল্লুরবা মতুংদা ময়ূম মায়কৈ পাংলকই। মানা হল্লকপা মতমদসু ইবেম্মা দুর্গা দেবীদি নহান্দগী মফিফাও হোংদখৈ শল্লগা ফমুংদা তাদুনা লৈরি। ইবুংঙো মহেশ্বরনা তপ্না চঙশিল্লক্লগা ইবেম্মগী খুয়া ওইরপনা ফল্লগা তূম্বা হৌদোক্লি।

"তারিবরা, তারিবরা নঙবো দুর্গে?" অহুম মরিরক হঞ্জিন হঞ্জিন মশা নোমদুনা হৌদোরকপদুদা তূমশিৎ কায়রবী ইবেম্মনা ৱারৌরপনা, মমিৎ নোই নোইদুনা হৌগৎলগা ফময়ায়দুদা ফম্মগা শাওরংননা খুল্লকই,

"কৈগীনো ঙাইহাক লৈতনা পিৎ-পা, পিৎ-পা কৌরিসিবো, ঐ উদ্রদি লৈবা ঙমদ্রবো?"

"ইহে, অদুই নত্তেনে, নঙবু তূম্বদু হেনমল্লেনে"

"তূমগে হায়না তূম্মিনি"

"হোইনে অদুবু হায়বা, কুইমল্লেনে, হায়বনে"

"তূম্বগা ফংলক্তে, হাওসি লাওরিনি হায়দুনা নেক্স আই পিক অপ হায়দনা নোংঙাল্লমদাই ফাও তৌদুনা লৈ, ঐ ৱারে"

"অদুগীসু মথক্তা নহাক করিমত্তসু চাদ্রে, ফনা ফজবা নশকনি, শাগী নিংথৌ নোংশাফাও নশক্তু য়েংবদা মথক্তা নঙনা তোংবদু কৈমতা হায়দবনি, হৌজিক্তি থিজিল্লে। ঙাইখোনে নঙবু বলিদা তপ তাখৈ চাশিল্লক্লবরো? ঐদিনে নোইগী বলি হায়দু য়াম হৈনদে, চাহৈদবা ঙাক্তা নঙগী নমিংদা মঙক পৎ-পৎ কক্তুনা ফ্রিং-ফ্রিং চোংদুনা হাৎপা জীবশিংদু হরাওনা চাকলেন শিনবদু ঐদি হৈনদে। নঙসি লাইনি হায়দে, নোক নোক্তুনা নমাংদা হামেং ময়াম অমা মে মে খোংদুনা লোইখিবদু য়েংদুনা লৈবা ঙম্মীনে, লাইদি লাইদা অমনিহে নঙসু, লাই মরক্তা য়াম হায়নরবনিকো"

"হো ঐসে, কালি হায়রগসু খঙনৈ, কালিদি ঈ পাম্মী হায়দুনা ঈদু অহিংবদগী কল্লগা কৎলিবনি কৈনো?"

"হোইনে অদুবোইবা, কালি হায়দুদি, শায়োন অমনিদনা, দুর্গা পুজা হায়বগা কালি পুজা হায়বগা খেন্নৈদনা, নঙনা চৎলিদুদি দুর্গা পুজা হায়বদুগী চৎপনিদনা"

"হো খঙজদ্রে খঙজদ্রে, ঐ ইশা নুংঙাইতে ৱা য়াম হায়রক্কনু"

"কৈদৌরগে?"

"ইশাসে থুক থুক লাওই, ওগে ওগে তৌই"

"কৈনোনে হায়রিসিবো, হৌজিকপু অমুক চাকমৌরজাৎলনে"

"চথোদা, নাতৈ চাদবা হনুথংসিদা"

"হোইনে, অদুনিনে, কমাই তৌদনা ওনীংলিনো"

"হো বোর নুমিৎতো য়ু ঙাওবা ময়াম্না ইমাংদা চঙশিন চঙশিল্লগা শ্বর কামশিল্লকপা, অশ! ঐদি য়ুনমদুনা ঙাওবজাৎনি"

"কৈনোনে হায়সিবো, বোর নুমিৎতি নুপীনা হেন্না খুরুম্নবদাইনে"

"নুপীনবু হেল্লে হৌজিক্তি, য়ুনম ফজ ফজনা নম্বা নুপীসু য়াওরিয়ে"

"মশক খঙবরা"

"খঙই, খঙলগা কৈদৌনি, মোইসু থকপা য়াই হায়না থকচরিনি, ইবুংঙোনা গঞ্জা থক্লিদুগা অমহানি"

"ইমাইপেমা ঐঙোন্দা অমুক তাইনরক্লবরা"

"তাইনবৈ ৱা নত্তেদা"

"ফরে ফরে, মণিপুর হায়দুবু কমদৌহৌরিগে, ঐসু চত্তবা কুইরে, মমাঙঙৈদদি ত্রিনাথ হায়দনা য়াম্না তোয়না নোংমাইজিং অয়াম্বা তৌরম্মী, ঐবু য়াম নীংলম্মী, হৌজিক্কানদি ত্রিনাথসু তৌখিদ্রে, শিব্রাতি গাইদুসু মমিংদগী ওইনা তৌখ্রে, অদুনা তন্দনা ঐসু ইচৎ চৎত্রে, নুংদি নুংঙাইবনিনে মণিপুর হায়দো, নিশাগদি ফজনা পাম্বনিনে"

"নিশাগী ৱাদি য়াম তৌনহৌরে হৌজিকসু, কনাগী য়ু লিগেলাইজ তৌরনি হায়বনে, য়ারোইবু হায়বনে, ঈহৌ হৌহৌরি। লিভর নাদনবা, য়ু অফবা পীথক্কদৌরি হায়, ইনকম তান্দুইনি হায়, রেভন্যু কাহন্দুইনি হায়, য়ু পংথক থকপা য়াহল্লরোই হায়, য়ু থিংবদগী টুরিষ্ট লাক্ত্রে অদুগী লাক্লবনি হায়, লোকল য়ু অফবা শুংহন্নি, পংশুং শুংবা য়াররোইবু হায়বনে, য়ুঙাং য়োলহল্নিবু হায়বনে, পুমলাং লাংহৌরি। থিংনা থিংনা নুপা নুপী খাক্তখৈ পং পংখৈ থক্লরকানসিদা করি ওইরক্তৌরিনো ঐ মেন মানগা অমত্তা তাজ লাকচদেদা"

"ইহ, মণিপুরসিদি কৈনোমা তৌহৌরবোইরে"

"তৌরে তৌরে, নহান নোংমদি ঈশৈ তারগা জগোয় শাবগী থৌরমদা য়ু ঙাওবা অমনা শেল থাবদা তুশিনবদা ঐঙোন্দা ঙাথরগা তুশিল্লকই, ঐঙোন্দগা কোনশিল্লগা উপথুননা তুশিল্লকপদুদদি ইমাইপেম্মা য়ুনমদুনা ঐ পুমঙাও ঙাওবনি"

"ওকে, মণিপুর হায়বদুদা অমুক হন্না দুর্গা পুজাগীনি হায়দুনা চৎপা য়াররোই মতুংদা"

"অদুদি য়ারোইদা"

"ঐনা পর্মিট পীররোই"

"য়ারোই হায়বনি, দুর্গা পুজা তোক্লদি ছুটি অমা মাঙজৈ হায়দুনা এমপ্লোয়ী ময়াম্নসু, ষ্টুদেন্টশিংনসু শাউরক্কনি অদুনা হেন্না অমুক ঈরাং থোক্কনি"

"য়ু থকপা মশীং হেনগৎলনি, হোটেলদা য়ু থকপা য়াই হায়দুবু ঙাওরগা হোটেলদুদগী হেন্দোকপা য়ারোইদৌরিবরা, ময়ূমদদি ঙাওরগা হল্লক্লরোইদরা, ঙাওরগা মতু মচাদা থাঙনা য়াল্লরোইদ্রা, মতুদা লিচৈনা কল্লরোইদ্রা, কান্নদে দুর্গে মণিপুরদা চৎপা ঐনা বন্দ তৌরে হায়সিনি"

"নেসনল হায়ৱে বন্দ তৌবদৌনা ঐনা মণিপুর চৎপসু বন্দ তৌরবা"

"তৌরে"

"তৌবুদি ঐসু মতুং দুর্গা পুজাসি চৎনীংদ্রবনি, ঐ য়ুনম্না ঙাওরে, অদুনা ইশাসি হৌজিক ফাওবা থুক থুক লাওরিসিনি"

—**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।